# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-07-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৮-০৭-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং চথুবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

২) চয়োল অমা চুপা চথুরকপা বন মহোৎসব পালন ঙরাং লোইশিনখ্রে।

**অমসুং**

৩) ১৭ শুবা ব্রিক্স মীফম লোইরবা মতুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি অয়ুক অঙনবদা ব্রসিলিয়াদা থুংখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**পুলিস (এল)ঃ** মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং চথুবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। অককবা পাউমী মতুং ইন্না থিবা হুম্বগী থবক চথুদুনা অসিগুম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবক চথুরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্ফেল

পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লম্ফেল গ্রেস কোলোনিদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফাখি। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবু পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা বামোলকম্পু ময়াই লৈকাইদগী প্রিপাক্কী হকচিনবা মীওই অমা ফারে মহাক লুপ অসিগীদমক মীয়ামদগী অমদি কাঞ্চিপুর, মন্ত্রিপুখ্রি অমসুং ককৱাদা লৈবা দুকানশিংদা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা থৌবাল জিলাগী কিয়ামসিফাই খুন্দোংবম লৈকাইদগী মীওই অমা ফারে। মহাক প্রিপাক প্রো য়াওনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংদা মোবাইল সিম কার্দ পীবদা চেন্নবা মীওইনি। সিম কার্দ অসি ম্যান্মারদা বেজ তৌবা লালহৌলুপশিংনা থৌবাল কিয়াম সিফাইগী মীয়ামদগী শেল খাইবদা শিজিন্নে হায়রি। মীওই অসিদগী সিম কার্দ অনি য়াওবা মোবাইল হেন্দসেট অমা, ভোদাফোন সিম কার্দ ৮৫, এয়রতেল প্রিপেদ সিম কার্দ ৯, এয়রতেল পোষ্টপেদ সিম কার্দ অনি, বি.এস.এন.এল সিম কার্দ ৪, জিও সিম কার্দ অমা য়াওরি।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিসনা মোতোর ভিহেকলগা মরী লৈননা মীয়ামদগী চলান ককপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং গারি ১৫ চলান ককপগা লোয়ননা লূপা লিশিং ২৬,৫০০ খোমগৎপা ঙমখি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা গারি ১৬ তা নপ্পলস্বা তিন্তেদ ফিল্মশিং লৌথোকখ্রে। নেসনেল হায়ৱে-৩৭ দা অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা গারি ২১৭ পুশিল্লকখ্রে।

**বন মহোৎসব(এল)ঃ** চয়োল অমা চুপা চত্থরকপা বন মহোৎসব পালন ঙরাং লোইশিনখ্রে। থা অসিগী ১ দগী হৌদুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থৌরম অসি পাত্তকনা পাঙথোকখি। উ চারাশিং থাবনা থৌরম

অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। চয়োল অমা চখ্থরকপা বন মহোৎসবকী লোইশিনবগী থৌরম ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখি। মদুদা, মণিপুরগী রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা, শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-মণিপুর অসি মহৌশাগী ফজবনা পিক থল্লবা লমদম অমনি। মসিদা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী লৌশিং গ্যান শিজিন্নদুনা মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা লাক্লি। রাজ্য অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈ, তাঙ্খুলগী লুইরা ফনিট অমসুং কুকিগী চবাং কুটশিং অসি হরাউ কুম্মে খক নত্তনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলদা মহৌশা লাইরেম্বীগী খল ঙাক শেন্দুনা লৈমিন্নগনি হায়বগী পাউজেল কয়া য়াওরি।

রাজ্যপালনা চহী অসিগী মালেমগী বাইওদাইভর্সিতি নুমিৎকা মরি লৈননা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তারক্লবা মহৈরোইশিংদা মনা য়েন্থোকখি। মমাঙ চহীগী ওক্তোবর থাদগী চহী অসিগী মে ফাওবদা লাম্মে চাকপা থিংবদা অখন্নবা থৌদাং লৌবগীদমক বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগী ফায়র ৱাটচর এল.ইংঙোবী সিংহ, থৌবাল অমসুং সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী শরিক লাইরেম্বী অমসুং হৈঙাং অৱাং লৈকাইগী জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কম্মিতিশিং, সেনাপতি জিলাগী কালিনামাই য়ুথ ক্লব অমসুং উখ্রুল জিলাগী সোকবাউ খুলগী খুলাকপা রেনি মকাংদা সর্তিফিকেট পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**মোদিঃ** ১৭ শুবা ব্রিক্স মীফম লোইরবা মতুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি অয়ুক অঙনবদা ব্রসিলিয়াদা থুংখ্রে। মহাকপু ব্রজিলগী ঙাকশেল মন্ত্রি য়োসে মুসিয়ো মোন্তেরো ফিলহোনা এয়রপোর্টতা তরামা ওকখি। মহাকপু মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংনসু তরামা ওকখি। মহাকা হোতেলদা হেক থুংবগা ভারত অমসুং ব্রজিলগী মরক্তা লৈনরিবা কলা সংস্কৃতিগী মরী উৎপা থৌরমশিং য়েংখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা, কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জয়স্বালনা হায়- শ্রী মোদিগী খোঙচৎ মনুংদা

লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি লুইস ইন্নাসিয়ো লুলা দা সিলবাগা ৱারি শান্নদুনা ঙাকশেল, ইনর্জি, স্পেস তেকোলোজি, লৌউ শিংউ, হকশেল ললোন ইতিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পাংননবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়-রিও দি জেনেরিয়োগী খোঙচৎ অদু মহে য়ানবা খোঙচৎ অমনি। মহাকা হায়-মালেমগী লুচিংবশিংগা ৱারি শান্নবা অদুনা ভারতকা লৈনরিবা মরুপ মপাং ওইবগী মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হয়েং নামিবিয়াদা চৎকনি অমসুং লৈবাক অদুগী সংসদতা ৱা ঙাংগনি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দ ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা হায়রি-কুমগী নোংনা মরম ওইদুনা রাজ্য অদুদা চাউনা মাং তাকহল্লে। দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী কম্মিস্নর অমসুং সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা য়ুম কৈ লম্বী থোং লৌবুকশিং মাং তাকহল্লে। দিমাপুরগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে হায়রি। কোহিমাদা সিভিল সেক্রেটরিয়েটকী মখাদা রিতেনিং ৱাল কিন্থরকপদগী গারি অমাং অতা থোকহনবগা লোয়ননা লম্বী চথোক চৎশিনদা অয়েৎপা পীখি। মোন জিলাদগী লোংলেন জিলা ফাওবগী লম্বী চীং নিংখাইবনা মরম ওইদুনা ফাউনদ্রে। মকোক চুং জিলাদগী মফম কয়াদসু চীং নিংখাইবগী পাউ ফংলি। নেসনেল হায়ৱে-২০২ ফাউনদ্রে।

অমরোমদা, ঈশিং ঈচাউশিং থোক্লকপদা করমা মায়োকগদগে হায়বগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা রিপোর্ট অমা রাজ্য সরকারদা পীশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। ঈচাউকী অৱাবা মায়োকরিবা মোয়ামগীদমক রিলিফ কেম্প অহুম হাংদোক্লে। কেম্প অসিদা মীওই ৮৪৪ চংজফম লৌদুনা লৈরি। ষ্টেট দিজাস্তর রেসপোন্স ফোর্সনা হি শিজিন্নদুনা মীয়াম কনবগী থবক চথুরি।

**এন.ঈঃ** অৰাং নোংপোক লমদমদা ঈশিংগী লম্বী অমসুং মেরিতাইম সেক্তর হেন্না ফগৎহন্নবা লূপা কোতি লিশিং ৫ থাদরগনি হায়রি। গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাতর ৱেজ মন্ত্রি সর্বনন সোনোৱালনা হায়-মেরিতাইম থবক্কীদমক নহা লিশিং ৫০ হেন্না ত্রেনিং তৌনবা পান্দম থল্লি। মসিগী মথক্তা লমদম অসিদা মরুওইবা হিথাংফমশিং পাকথোক চাউথোকপা অমদি ঈশিংগী লম্বীদা হি তোংদুনা লম কোইবগী থবক হেনগৎলক্লিবা অসিদা অহেনবা মীয়েং চংগনি। মহাকা হায়-লূপা কোতি ৩০০ চংনা সিলঘাট, নিমাতি, বিস্বানাট ঘাৎ অমসুং গুইজানদা তুরিজম চাউখৎহন্নবা অমদি পোৎ পুথোক পুশিন তৌনবা হিথাংফম মচা মচা শেমগৎকনি। গুৱাহাতি, তেজপুর অমসুং দিব্রুগরদা ৱাতর মেত্রো প্রোজেক্ট পায়খৎনবা থৌরাং তৌরে। মসিগী মথক্তা লাইটহাউস অমদি ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টগী সেন্তরশিং থমদুনা ঈশিংগী লম্বী খঙদোকবা অমসুং ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম মাংজোননা খঙননবা থৌরাং তৌরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীতৈ অমদি কুকিগী মরক্তা দাইলোগ চথদুনা লৈঙাকা মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকবা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থাগৎনিঙাইনি হায়বা আর.এস.এসকী ৱাফম অমসুং আই.দি.পি অমা নৌনা লৈখিদ্রে, চয়োল অসিগী মনুংদা লায়েংবা ঙমদবদগী লৈখিদবা আই.দি.পি ৪ শুরে হায়বা পাউশিং অসিনা- নহারোল থৌদাং পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গ্বালতাবী ৱাথোক-লৈঙাক্কী মায়োক্তা পাউমীশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে, লৈঙাকা মখা তানা তুমিন্না লৈশিল্লবদি হেন্না কনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা পাউ অসিনা- সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লমদেংদা লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অসি হেন্না ফবা মওংদা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ অসিনা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদনা ইম্ফাল মনুংগী অমোৎ অকাইশিং লোইশিনবদা অৱাবা মায়োকরি, লমদেংগী মছিন অপগ্রেদ তৌগদৌরি হায়না ফোতোগা কোন্ননা ফোঙলি।

ঐখোয় হয়েং ঙাইগুমসি, ঙসিগী মহৌশাগী ফিভম কন্নবা খোঙথাং লৌরসি হায়বা গভর্ণরগী ৱাফম অমসুং ষ্টেট অসি ফ্রেম মনুংদা লৈবা মিংশেল অকাইবগা পাঙ্কক ওইরে হায়না এম.পি.বিমোলনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম-পোকফমগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম হাৎখিবা থৌদোক্কী কেসকী চার্জসিট থাগৎলমদ্রে, হাই কোর্টনা এন.আই.এদা চার্জসিট থাগৎত্রবদি হকচিন্না লৌগনি হায়না খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

রোংমৈ ফ্রন্তেল ওর্গনাইজেসননা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহদা নাগা এরিয়াশিংদা সু দা লৈরিবা কুকি মিলিতেন্ট গ্রুপশিংগী কেম্প শাবা য়ারোই হায়না মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পীপলস ক্রোনিকলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা ঈচাউনা শোহল্লবা জিলা অসিদা লৈবা চিলদ্রেন হোমদা মহে মশিং তম্বদা চংবা স্তেসনরি আইতেমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ

ওইনা ফোঙলি।

য়েলহৌ ফুরুপশিংনা উমং কন্দুনা লাকপবু মখা তানসু মীয়ামা উমং কনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বা রাজ্যপালগী ব্রাফমনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**